থম্মোয় পাউদম

হুইয়েন ইন্দু

# খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা দ্রামা অমা

ঙরাংতা ওইরবোই নীংই-মীয়মাগী ৱা তাদবা, মথন্তগী পূক্নিংগী ৱা তাবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা, নুমীৎ নীনিগী মতুংদা নেসনল লোকদাউন তৌরগনি লাউথোকখিবদু। চহী অমগা থা অমা হেল্লক্লে। মার্চ ২৪, ২০২০, নুমীৎ ২১গী লোকদাউন লাউথোকখিবা মতমদুদা ইন্দিয়াদা কোরোনা'না নারবা মী মশীং ৬১৮ খক্তা ঙায়রি। শিখিবনা ১৩। এপ্রিল ৫, নুমীদাং পুং ৯ চপ চানা মিনিট ৯ মৈ (ইলেক্ট্রিক) মুথৎলগা মৈরা চুখৎনবা হায়খিবা মতমদুদনা অনাবা মশীং ৬৭৫১ শুরকখি, শিখিবনা ২০। নুমীৎ ২১ শুবা নুমীৎ, এপ্রিল ১৪দদি ৯৩৫২ শুরক্লে, মী ৩২৪ শিখরে। অয়ুক পুং ১০, টেলিভিজন'দা মোদিনা ৱা ঙাংবদা মীতৈগী লেংয়ান (লৈরুম) ফি মঙকশমদা য়েৎলকপদুদা ঐখোয় ময়াম হরাওখি। লোকদাউন মতম মথং মথং শাংদোরকখি। ময়ুম থাদোক্তুনা মীরমদা লৈরুবা ময়াম ময়ুম ময়ুমদা হন্ননবা হোৎনবা, কোরোনা মহীক পুরকপা এজেন্ট ওইনা মরমদমদা থুংলখিবগী ৱারীশিং, মেমোরি পেজশিংদা রেকোর্দ তৌরিবসি পাক হেক মুৎখিরোই। মৈ মুথৎতুনা/কাংশি খীংদুনা কোরোনাগা লানবা পাখিবা, পি এম'না হায়রিমখৈ থাজদুনা কোভিদ-১৯-ভাইরস লায়না খুদুম চন'ঙমগনি খনখিবা মীকুপশিংদু নৌহৌনা অমুক শৈথাজররোই। ৱাখি। ঐখোয়গী লৈঙাক লুচিংবশিং য়াম্না ৱাখি। হিংনবই লন্বী তৎখ্রবা... শুফম-নোমফম লৈত্রবা... মীশি মীনা মায়োক্লখিবা... লৈঙাক্লা লেম্না য়েল্লকপা হৱাই-চেঙৱাই- থাউ-থুম'না হিংনবই পান্বে ওইরকখিবা... মখোয়গীদমক লুচিংবশিং য়াম্না ৱাখি। কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবইদমক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কাইথোকখিবা শেনফম- কোভিদ ক্যের সেন্টর লিংনবা, অনাবশিং কন্নবা খরচ তৌনবা হোৎনবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংসু য়াম্না ৱাখি। মিনিষ্টর মশেন মুক্নরক্তুনা মেদিকেল মিনিষ্টর ফাওবা লৌথোক্লখিবা লুখ্রবা ইস্যু অমনি। ঐখোয়গুম্বা অমনা কম্মেন্ট পীবা হৌনদে। ইতিহাসকী লামায়দা লাচনখ্রবনি।

চহী অমগী মতুংদা খঙলক্লে- কোরোনাগী লানফমসিদা ইন্দিয়া চঙ ফংনা মায়থীরে। অমেরিকা, ব্রিতেন, ফ্রান্স, ইতালি, স্পেইন'নচিংবা মেদিকেল সাইন্সতা চাউখৎলবা লৈপাকশিংনা কোরোনাগী অহানবা এটেক্তুদা সরেন্দর তৌদুনা চঙজখ্রগা, অনীশুবা, শোয়দনা লাক্লনি খঙলবা এটেক্তুদগী ঙাকথোক্লবা শেম-শাদুনা লৈনখি। ঐখোয়গী লুচিংবশিং, মায়থীরবা অহানবা লানফম অদুদগী পূক্নিং-লৌশিং ওইবা য়াবা পারা অমত্তসু তমহৌদে। এক্সপার্টশিংনা পীবা পাউতাক লৌশিনবগী মহুৎতা, এক্সপার্টশিংদা ওনশিন্দুনা পাউতাক পীবা লৈঙাক-লুচিংবা ঙাক্তনি ঐখোয়গী। মিনিষ্টরনা হায়বা ইন্দবা এক্সপার্ট/ওফিসর, সরক ময়ায়দা পুনবা ষনবীগুম চন্নফম খঙহন্দবা- লমদমসিগী পোলিটিকেল কলচরনি।

জন্যুৱারী থা, নোংমদা থেংনবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস লীশিং তরাগী চাংদা হন্থরকপদুদা মোদিনা লুচিংবা মন্ত্রি মন দলসিনা চাউথোকচখি... 'কোরোনাগী লানফম মায় পাক্লে'...। অনীশুবা কোভিদ-ৱেভ অসিনা হেন্না তমথীগনি'- হায়বা গ্লোবেল-ৱার্নিং'দু মখোয়গী নাকোংদা চঙখিদে। লাক্কনি খঙলবা খুদোংথীবা মীকুপ্তুগীদমক শেম-শাখিদে। ... হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা ফমুং মশীং, হেনগৎলক্কদৌরিবা অনাবা মশীংসিগা কোন্নরোই, আই সী য়ু মশীং ৱাৎলক্কনি, ভেন্টিলেটর সপোর্ট মতিক চানা লৈহনসি, মেদিকেল ওক্সিজেন পোখোক হেনগৎহনসি... সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী হেল্থ সেক্রেটরি অমদি নিতি আয়োগকী সী ঈ ও'না থা কয়াগী মমাঙদগী হায়জরকপা-মনাদফাও হাপখিদে।

'লৈপাকসিদা মেদিকেল ওক্সিজেন ষ্টোক মতিক চানা লৈ'... লৈঙাকপুরেন মোদিগী নাপন কারবা পাউখুমনি।... 'মীরেমনা থল্লবা ইন্দিয়ানি, ইট ইজ জষ্ট অনমেনেজেবল'... অদুঙৈ 'রাজিব গান্ধী'দা 'লী ক্বান য়িউ' (মোদর্ন সিঙ্গাপোরগী আর্কিটেক'না হায়রমখিবা ৱাহায়দু কাউখ্রমাল্লে 'মোদি'জি। নৎত্রগনা, 'শিনিংবা মীরেম খরা শিজখ্রসনু, মচং ওইবা খরা হিংহৌনবা'... খনখিবা অসুম্না! কোরোনা-লান মরক্তুদা লুপা ক্রোর ৯৭১ চঙগদবা অনৌবা পার্লিয়ামেন্ট-বিল্ডিং শানবা উরেপ-উয়ুং তমখি।

করি শারে হৌজিক্তি? কোরোনানা নাবা অমদি শিবা মীগী মশীং মালেমগী রেকোর্দ পায়রক্লে। ঙরাং ফাওবদা, হোস্পিটালশিংদা 'মেদিকেল ওক্সিজেন' লাইফ-সেভিং-দ্রগ অমগুম, সিরিয়স ওইরবা অনাবদা অরোইবা পান্বে ওইনা শীজিন্নরম্বদু ঙসিদি কোভিদনা নারবা অমগী রুটিন মেদিসিন ওইরক্লে। নোংমদা অনৌবা অনাবা লাখ অহুম-মরী... কয়া তশেংনা শিরিবা, কনানসু হায়বা ঙল্লক্ত্রবা... অশিবা হকচাং পোৎলোয়নবা মফম লৈরক্ত্রবা... ওক্সিজেন ফংদবদগী হোস্পিটাল কয়াদগী অশিবা হকচাং ওইনা পুথোক্লক্কদবগী ঙাইরিবা কোরোনা-ভিক্টিম... ইন্দিয়া খক্তগী ওইবা নুংনাংনিংঙাই-পাউ ওইরক্ত্রে, ইন্টরনেসনল নিউজ ওইরক্লে। মে থা লোইশিল্লকপদা, ইন্দিয়াদা নোংমগী অনৌবা কোভিদ- পোজিটিভ কেস মশীং লাখ তরা ওইররনি, নোংমদা মী লিশিং তরাগী চাংদা শিরগনি হায়বসি-ওফিসল ওইবা স্পেক্যুলেসন'নি। মমাঙ চহীগী জ ন থাদগী এক্সপার্টশিংনা পীখিবা ৱার্নিংসি মোদিনদি লৌখিদে। মানা খ্বাইদই থাজজবা 'অমিতাভ কান্ত'না হায়বা ফাওবা তাখিদে। হৌখিবা চহী ফাওবদা, ইন্দিয়া'না নোংমদা মেদিকেল ওক্সিজেন মেট্রিক টন ৮৫০ খক ওইরম্বদু ঙসিদি ৫০০০গী মথক্তনি। ইন্দিয়া'দা শুংলিবা ওক্সিজেন, নোংমদা মেট্রিক টন ৭১২৭ খক্তনি, ৩৮০০না মেদিকেল ওক্সিজেন ওন্থোক্লগা অরেম্বদুনা ইন্দষ্ট্রিএল ওক্সিজেন ওইনা শীজিন্নরম্মী। থোক্লবা য়াবা খুদোংথীবসিগীদমক অহেনবা মেদিকেল ওক্সিজেনশিংদু তুংশিন্দুনা থমসি হায়বা এদভাইজর/এক্সপার্টশিংগী ৱা তাদনা, মপান-লৈপাক্তা য়োন্থোকখি। হৌজিক্লা, মপান লৈপাকশিংদগী মেট্রিক টন ৫০,০০০ লৈননবা হোৎনরি (ৱারেঙসি ইরিঙৈ লৈখিরম্বসু য়াই)। অদুবু, মদুসু নুমীৎ খরনিখক্তগী এরেঞ্জমেন্ট'নি। অপূনবা দিমান্দ কোন্ননবা নত্তে। তাহৈদবা পাউ কয়া সোসল মীদিয়া'দা শন্দোরকপা অশাওবীনি মোদিগী। শেরান-তুরানবা পাউ শন্দোকপা চৈরাক পীনি লাউথোকখি। সুপ্রীম কোর্ট'না অমুক হায়, 'সোসল মীদিয়াদা পূক্নিংগী ৱা ফোঙদোকপা চৈরাক পীবা য়ারোই'। গ্রুপ-হ্বাতচএপ অমদা সেয়র তৌনরকখিবা ভিদিও ইমেজ অমদা, মোদিগী স্পিচ অমগী 'ভারৎতা কোভিদনা নাবা মীগী মশীং থুনা-য়াঙনা হন্থরক্লি' হায়বা মতাংদুদা তাবা ঙমদ্রবা 'টি-ভি-ভিউঅর' অদুনা মশাগী টি ভি সেট অদু থুগায়খিবদু মহাক শোয়দনা উরল্লগনি। অদুগা, মীশিং য়াম্বা অচৌবা লৈবাক 'চিনা'দদি লায়নাসিনা নাখিবা মীশিং ৯০,৬৫৫ খক্তনি, শিখিবনা ৪৬৩৬নি... হৌজিক নারিবা মীশিংনা শুপ্নগী ৩২৬, সিরিয়স ওইবা অনাবনা অহুমখক। চাইনিজশিংনা করম্না কোভিদ-১৯ মায়োক্লে? করি প্রেক্টিস তৌখিবগে হায়বদুদি নৈনদে। চিনাদই হৌরকখি হায়দুনা চাইনিজ শকমান্নবা মীদা তিন শীৎকনি/ফুগনি/চৈগনি/হাৎকনি হায়বা মাইন্দ সেট অদুদি মতু-চোম্বা য়োংনফাওবা খল্লম্লোই।

হৌজিক্তি 'মোদি' কোরোনাদা চঙজখ্রে। হায়রক্লে... 'ইথন্ত মায়ওক্লবা ঙল্লরোই, মালেম হুপ্না থেংনমিন্নগদবা লানফমনি'...। প্রোটাগোনিষ্ট ওইনা, খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা দ্রামাসিদা য়াওরম্বা মোদিগী রোল 'এনতাগোনিষ্ট' ওইরক্লে।

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯

## ভেক্সিনগী মরমদা লান্না থাজনবশিং খঙমিন্নসি-২

**তোকঙা: ভেক্সিন অসিনা মীওইবগী দি এন এদা অহোংবা লাকহনগনি**

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন খরদি মেসেঞ্জর আর এন এ (mRNA) টেক্নোলোজিদা বেজ তৌবনি। হায়রিবা ভেক্সিন মখলশিং অসি ট্রেদিসনেল ওইবা ভেক্সিন মখলশিং অদুগী তোঙানবা মওংদা মথৌ তৌই।

ক্লাসিকেল ভেক্সিনশিংনা তৌবা মওং অসিদি হকচাংবু ইম্মুন রেস্পোন্স অমা করম্না পুথোক্কদগে হায়বদু তাক্লবগীদমক ইনএক্টিভেটেদ পেথোজেন নৎত্রগা পেথোজেন অদুগী শরুক খরা হকচাংদা চঙহনবনি।

মসিগী ওন্না-তৈনবদা mRNA ভেক্সিননা তৌরিবদি পেথোজেন অমগী প্রোটিন শেম্নবগীদমক ঐখোয়গী হকচাংগী সেলশিংদা ইনষ্ট্রক্সনশিং য়ৌহনবনি। প্রোটিন অদু হেক শাগৎখিবগা, মদুদা ইম্মুন সিষ্টেমনা রেস্পোন্দ তৌগনি অমদি হায়রিবা চপ মান্নবা পেথোজেন অদুনা মতুং তারকপদা লান্দারকপা মতমদা রেস্পোন্দ তৌবা ঙম্নবগীদমক শেম শাদুনা লৈহনগনি।

অদুমওইনমক, mRNA অসি ঐখোয়গী হকচাং মনুংদা য়াওদুনা লৈতে, অমসি ঐখোয়গী হকচাংগী দি এন এগা পূনশিন্নদে। মহাক্লা পীরমগদবা ইনষ্ট্রক্সন অদু হেক পীরম্বগা হকচাংগী সেলনা মদুবু থুগায়খিগনি।

শেংনা হায়রগদি, mRNA অসি ঐখোয়গী হকচাংগী দি এন এনা লৈরিবা মফম সেলশিংগী ন্যুক্লিয়সতা ফাওবা য়ৌরোই।

**তোকঙা: কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংনা ঐখোয়বু কোভিদ-১৯ নাহনবা ঙম্মী**

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংনা মীওই অমবু কোভিদ-১৯ নাহনবা ঙমদে। ভেক্সিনগী মখল খেন্নবা খেন্নদবগী ৱা লৈতনা, ভেক্সিন মখল অত্তদা অহিংবা ভাইরস অমত্তা য়াওদে। ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা থেংনরিবা সাইদ ইফেক্ট খুদিংমক, খুদম ওইনা কোক চীকপা নৎত্রগা নিংথম চনবনচিংবা অসি হকচাংগী ইম্মুন রেস্পোন্সনা থোকহনবনি ইনফেক্সন অমনা থোকহনবা নত্তে।

**তোকঙা: ভেক্সিনদা মাইক্রোচিপ অমা য়াওই**

মমাঙ চহীদা YouGov না য়ু এসতা পোল অমা চথদুনা মীওই ১,৬৪০দা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংখি। মদুদা শরুক য়াখিবা রেস্পোন্দেন্টশিংগী চাদা ২৮না কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন অসি বিল গেট্সনা মীওই পুম্বদা মাইক্রোচিপশিং ইমপ্লান্ট তৌনবগী পান্বে অমা ওইনা শীজিন্নবনি হায়না থাজরম্বা থেংনখি।

রেস্পোন্দেন্ট খরগী মতুংইন্না হায়রিবা মাইক্রোচিপ অদুনা মখোয়গী খোঙথাং খুদিংমক ট্রেক তৌবা য়াহনগনি হায়রি। তশেংবগীদি হায়রিবা থবক অদুদি ঐখোয়না শীজিন্নরিবা মোবাইল ফোনশিং অসিনা হান্নদগী হৌনা করিসু ৱাদনা তৌদুনা লাক্লবনি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমত্তদা মাইক্রোচিপ য়াওই হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা লৈতে। কন্সপিরেসি থিওরি অমগা অমগা খেন্নবগী মতুংইন্না মীওই খরনা ভেক্সিন অসিদা রেদিও-ফ্রিক্বেন্সি আইদেন্টিফিকেসন টেগশিং য়াওই হায়না থাজনরি। হায়রিবা টেগশিং অসি রেদিও ট্রান্সপোন্দর, রেদিও রিসিভর, অমদি ট্রান্সমিটর অমনা পুল্লগা শেম্বনি। অদুবু হায়রিবা



পোৎলমশিং অসি হীদাক কাপ্পগী য়েতুম মখুল অদুদা ফাওদোক ফাওজিন য়ানবগী চাংদা পীকশিনবা হায়বসি ওইথোক্তবনি।

**তোকঙা: কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংনা মীওই অমবু ইনফর্টাইল ওইহনবা ঙমই**

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিংনা ফর্টাইলিতিদা অকায়বা থোকহল্লি হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা লৈতে। মসিগা চপ মান্ননা ভেক্সিন অসিনা তুংদা মীরোল্লক্কদবদসু খুদোংথীবা থোকহল্লক্কনি হায়বগী ইভিদেন্স অমত্তা লৈতে।

**তোকঙা: কোভিদ-১৯ ভেক্সিনদা ফিটল (পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংগী) টিস্যু য়াওই**

চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা এন্টি-ভেক্সরশিংনা ভেক্সিনশিংদা ফিটল টিস্যু য়াওই হায়বা তোকঙা শন্দোক্তুনা লাক্লি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমদি অতৈ অতোপ্পা ভেক্সিন অমত্তদা ফিটসতগী টিস্যু অমত্তা য়াওদে।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ সাউথম্পটোনগী সেনিয়র রিসার্চ ফেল্লো অমা ওইরিবা ডা. মিচেল হেদনা বি বি সীদা হায়খি মদুদি, 'ভেক্সিন খুদিংমক পুথোকপগী প্রোসেসতা ফিটল সেলশিং অমত্তা শীজিন্নবা লৈতে'।

**তোকঙা: কোভিদ-১৯ নারুরবা মীওইশিংদি ভেক্সিন কাপ্পগী মথৌ তাদে**

মমাঙদা SARS-CoV-2 পোজিটিব ওইরুরবা মীওইশিংসু ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)না হায়রি মদুদি:

"কোভিদ-১৯গা লোয়নবা শাথিরবা হেল্থ রিস্কশিংনা মরম ওইরগা অমদি কোভিদ-১৯ রিইনফেক্সন তৌরকপগী ওইথোকপা লৈবনা মরম ওইরগা মমাঙদা SARS-CoV-2 ইনফেক্সন তৌখিবা নৎত্রগা তৌখিদবা থিদনা ভেক্সিন কাপকদবনি।"

নাকল অমরোমদনা মমাঙদা টেষ্ট তৌবা পোজিটিব লাকখিবা অদু ফোল্স পোজিটিব ওইরম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈতবা নত্তে, শম্না হায়রবদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিবদি লাক্লগা হকচাংদনা ভাইরেল ইনফেক্সন অমত্তা লৈতবা হায়বনি। মরম অসিগীদমকসু খল্লগা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবনা ফৈ।

# কোভিদ-১৯গী চৈথেং নংলিবা ইমুং ৮৮দা চান থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা নাওরিয়া পাখংলাকপা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা মালোম তুলিহল অমসুং মালোম তুলিয়াইমগী অকোয়বদা লৈবা লায়না-লাইচৎ অসিগী চৈথেং নংলবা ইমুং ৮৮দা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী সেক্রেটরি ডা. এস মনাওতোননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লব (ৱাই দব্লিয়ু সী) মালোমনা কোনবা মফমশিং অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা মালোম তুলিয়াইমা অমসুং মালোম তুলিহলগী মফম কয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুং ৮৮দা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোক্লদুনা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা মীরেপ ওইগদৌরিবা ডা. এস মনাওতোননা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসি ঙসিদি মণিপুরদসু য়ৌরক্তুনা লমদমসিগী মীয়ামদা চৈথেং পীররে। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইনশিং নীংথিনা ঙাক্তবা অমদি এস ও পিশিং থৌশানরক্তবগী মতৌ কয়ানা মরম ওইরগা ঙসিদি লমদম অসিদা লায়না-লাইচৎ অসিনা নাবা অমদি শিবগী মশীং তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি।

কোভিদকী ৱানরবা মতম অসিদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনদি এম এল এ লৈতবনা মীয়ামগী চাকথুংশিং মপুং ফানা ফংহন্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবদা নত্তনা অৱাবা কয়াসু মায়োক্লরি। অৱা-অনা কয়া মায়োক্লরিবা এ সী অসিগী মীয়ামগা তান্নরগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিন্দুনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি। কোভিদকী লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা হৌরকপদগী ঙসি ফাওবা এ সী অসিগী মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেংসু পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু মীয়ামগী য়াইফননবা পাংবা য়াবা মতেং পাংখিগনি। লোয়ননা এ সী অসিগী মীয়ামগী এদ্যুকেসন অমসুং শেল-থুমগী ফীভম খরদং ওইরবসু ফগৎহন্ননবা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল কয়াসু পায়খৎলক্কনি।

চীনগা খুৎকা মান্নদবা থৌরাং থৌশিলগী মমি তারকপা অমসুং গাইদলাইনশিংবু থৌশানরকখিদবা অসিনা ঙসিদি লমদম অসিদা অৱাবগী ফীভম কয়া মায়োক্ল হল্লকপনি। মীয়ামগী লুচিংবশিংনা থৌদোক ৱাথোক অমা হেক থোক্লকপদা কয়া থৌশাদবা অদুগা লায়না হেঞ্জিল্লক্লবা মতমদতা অরৈবা পাঙ্গল থৌনা পুথোক্তুনা হোৎনবগী মমি অমা হেক হেক তারিবা অসি ঐখোয় পুন্না অমুক্তং খন্থবগী মতম ওইরে।

মণিপুরীলোলনা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুএন্সিগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবসু ঙসি ফাওবদা শেলয়েক্তা ঐখোয়গী ইয়েক য়াওহনবা ঙমদ্রিবা অমসুং কৌব্রু লাইফমলেনদা থোল্লিবা ৱাথোক কয়া অসি ঐখোয়না মাঙজৌননা তৌগদবা থবক কয়া তৌহৌদবদগীনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সাকির অহমদ ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইরগনি লাউথোকখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদা বেজ তৌবা য়ুনাইটেদ দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (এস এ এল এ আই)না এম দি সাকির অহমদপু কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটি এসেম্বলীগী মীখলদা ৩৬-ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা মীরেপ ওইনা পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

খেলাখোংগী মীপুনশঙদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা য়ু দি সী (এস এ এল এ আই)গী প্রসিদেন্ট অব্দুস সলামনা হায়খি, লূপ অসিগী লুচিংবশিং য়াওনা ফমখিবা মীফমদা মোত অমত্তা ওইনা লৌখিবা ৱারেপনা সাকির অহমদপু মীরেপ ওইনবা প্রোজেক্ট তৌবনি।

ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদা ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা, মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটশিং চপ চানা ফংনবা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎপা হায়বা পান্দমদা সাকির অহমদপু মীরেপ ওইহন্নবা ৱারেপ অসি লৌবনি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সাকির অহমদনা মহাকপু ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীখল থেংননবা য়ু দি সী (এস এ এল এ আই)না প্রোজেক্ট তৌরে হায়বা তাবদা লূপ অসিবু তৌবীমল খঙবা উৎলদুনা হায়খি, ঐহাক্কী পুন্সিদা খ্বাইদগী পূক্নিং নুংশিবা নুমীৎনি। অমরোমদা ঐহাকপু মীরেপ ওইরো হায়না তাকপীরকপা অসি ঐহাক্কীদি লাইবক য়াম্না ফবা অমনি। য়ু দি এস (এস এ এল এ আই)না অমদি ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না ঐঙোন্দা থল্লিবা থাজবা লেম্না মাঙহল্লোই হায়খি।

সাকিরনা মখা তানা হায়, ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সি অসি হীরম খুদিংদা শোখরবা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সি অমা ওইরে। মহৈ-মশিন, হকশেল, লন্বী-থোং, শান্ন-খোৎনবনচিংবা হীরম খুদিংমক্তা অতোপ্পা থংনরিবা এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিশিংনা ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী য়াম্না হেন্না মাঙজিল থারগা চৎখ্রে। ৱাবগাই এসেম্বলী কনষ্টিট্যুএন্সিনা মনিংদা লৈহৌরে। মরম অদুনা অসিগুম্বা অৱাৎপা শোখরবা ময়াম অসি মেনখৎনবা ঐহাক মীখল থেংনদুনা মীয়ামগী অনিংবা চপ চানা থুংহল্লগনি হায়না লেপ্লে হায়খি।

# এম বি বি এস ফাইনেল য়র তন্নিবশিং, পি জি তৌরিবশিং ট্রেনিং পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ থেংননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা কোভিদকী দ্যুটিদা শরুক য়াহন্ননবগীদমক এম বি বি এস ফাইনেল য়র তন্নিবা মহৈরোয়শিং অমদি পোষ্ট গ্রেজ্যুএট (পি জি) তৌরিবা মহৈরোয়শিং ট্রেনিং পীবগী থবক ঙসিদগী হৌখ্রে।

ঙসি অহানবা ওইনা জে নিমস হোস্পিটালগী লেকচর নম্বর ফোরদা পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টকী ওরেন্টেসন ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা এম বি বি এস ফাইনেল য়র তন্নিবা মহৈরোয়শিং শরুক য়াখি। মহৈরোয়শিং অসি ট্রেনিং মপুং ফানা পীরবা মতুংদা লৈঙাক্লা হাংদোক্লিবা তোঙান তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা অনাবশিং লায়েংবদা মথৌ পাঙথোকহন্ননবা থৌরাং তৌরিবনি।

# এম ও ১৫৫, ষ্টাফ নর্স ৯৯ অমসুং মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ ১২০ লৌগদৌরি

ইম্ফাল, মে ০৪ (ঐচএনএস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ থেংননবা লৌখৎলকপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা হেল্থ ক্যের ৱর্করগী অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক থা ৬কী ওইনা কোভিদকী দ্যুটি তৌননবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মখাদা মেদিকেল ওফিসর (এম ও) ১৫৫, ষ্টাফ নর্স ৯৯ অমসুং মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ ১২০ কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌগদৌরি।

এম ও ১৫৫, ষ্টাফ নর্স ৯৯ অমসুং মল্টি টাস্কিং ষ্টাফ ১২০ কন্ট্রেক্ট বেসিসতা লৌগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা হেল্থকী দিরেক্টর ডা. কে রাজেনা ৱার্ক ইন ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোকপগী নোটিশসু ঙসি থোকখ্রে। নোটিশ অদুগী মতুংইন্না মে ৬তগী ৯ ফাওবা মেদিকেল ওফিসরগী, মে ১০ দগী ১৩ ফাওবনা মল্টি টাস্কিং ষ্টাফকী অমসুং মে ১৪দগী ১৭ ফাওবনা ষ্টাফ নর্সকী ৱার্ক ইন ইন্টর্ভিয়ু পাঙথোক্কনি। তোঙান-তোঙানবা ফমশিং লৌনবগীদমক ৱার্ক ইন ইন্টর্ভিয়ু অসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসতা পাঙথোক্কনি। ফমশিং অসি লৌবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী পোলিসীগী মতুংইন্না রিজার্ভেসনশিং পীগনি। এপ্লিকেসন ফোর্মশিং হেল্থ দিরেক্টোরেটকী ওফিসল ৱেবসাইটতগী ফংগনি হায়নসু নোটিশ অদুনা খঙহল্লক্লি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

## কোভিদকী দ্যুটি তৌখিবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংদি ফ্রন্টলাইন ৱর্কর চিংলোইদ্রা?



কোভিদ-২১গী ফর্ষ্ট ৱেভতা মণিপুর মচা মপান লমদা লৈবশিং ময়ুমদা হল্লকপদা লৈঙাক্লা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্নবা ষ্টেপশিং লৌখৎপদা স্ক্রিনিং সেন্টরশিং অমদি ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা মীওই কয়া দ্যুটি পীবিখি। অদুবু দ্যুটি চৎপা অমদি তৌবা মতমদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং অমত্তা ফংখিদে। ইশা ইশানা দ্যুটিদা শীজিন্ননবা কোভিদ-১৯ প্রোটেক্সন কিটস ফাওবা লৈদুনা দ্যুটি তৌখি। অদুবু ভেক্সিনেসন তৌবা হৌরকপদদি ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিং খক্তনি হায়না ভেক্সিন কাপখি। হোম অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবশিংদা খক খুদোংচাবা পীখি। অদুবু মখোয়দদি খুদোংচাবদু পীখিদে। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংদি ফ্রন্টলাইন ৱর্কর চিংদ্রবরা? ক্বারন্টিন সেন্টর অমদি স্ক্রিনিং সেন্টরদা দ্যুটি তারুরগা য়ুমদা হল্লকপদা লৈকায়গী মীওইশিং অমদি য়ুমগী মীশিংনা ফাওবা কীরম্মি অমদি হঙ্গোইনরম্মি। অদুবু লাইবক থীবদি হৌজিক ফাওবা হেল্থ অমদি হোম দিপার্টমেন্টকী থবক তৌবশিং খক ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ওইনা লৌরি। সেকেন্দ ৱেভতা দ্যুটি অমুক পীরক্লবদি মখোয়না করম্বা মওংদা দ্যুটি তৌনিংবা ফাওগদৌরিবনো?

❒ রেকি মাইব্রম, মোইরাং বাজার

## কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভকী কনখৎলকপা মতমদা কুম্ভ মেলা তৌখিবা লৈঙাক্কী অশোয়বনি খঙৈ



হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা, হিন্দু ধর্ম্মদা থাজবা লৈবাক অসিগী মীওই কয়ানা থায়নদগী চৎনরকপা কুম্ভ মেলা পাঙথোকখিবা অসি হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী শাথিরবা ফীভম অসিদা পাঙথোকখিবা অদু থিংহৌদবা অসি লৈঙাক্কী য়াম্না চাওনা অশোইবা অমনি হায়না খল্লি। মসিনা লৈবাক্কী এস ও পি লোয়না থুগায়দুনা লৈবাক অমসুং লৈঙাক্কী অচৌবা অশোয়বদু লৈবাক মীয়াম মাংদা উৎথোক্লে। লোয়ননা কোভিদ লায়না পেন্দেমিকতা হেন্না শাথিহল্লে। মসি হৌববুদি হৌখ্রে হায়ববু মতুংদদি অচৌবা অশোয়বা অসি অমুক হন্না তৌহল্লোইদবনি। মসি ৱাখল মপুং ফাদবা অমসুং য়াম্না রেসপোন্সিবিলিটি য়াওদবগী খুদমনি। ইন্দিয়াদা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি য়াম্না তোয়না থোকই। অসিগুম্বা ময়াম অসি উবদা মীচম মীয়ামদি পাখৎপগী মথক্তা য়াম্না শাওনিংহল্লি। লৈঙাক্লা নাকল অমদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগী মীংদা মীয়ামদা অৱা-চৈথেং ফংলি। তঙাইফদবা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙমদ্রি অদুবু নাকল অমরোমদনা চাওনা হোরে। মতুং তারকপদদি অসিগুম্বসি থোক্তনবা হোৎনবিয়ু। ৱাখল তাদবা অমদি লৈবাক মীয়াম্না অমুক্কা হেন্না ৱাগদবা থবকশিং তৌহনবিগনু হায়জরি।

❒ য়াঙঙ্বম শ্যামসুন্দর, থাংমৈবন্দ য়ুম্নাম লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৫।০৫।২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা; নুংথিল পুং ১.২২ ফাওবা শজিবুগী ২৪নি পাল্লি, মতুং ২৫নি পাল্লনি।

মেষ: খনম্থদনা ঙাংগনু, নচাক নরল চেকশিল্লু অমদি মীতোপকা ৱাতান্নগনু। য়েৎলম্বদি কোক্কনি, খাংবা কনবৈ কান্নবা অমদি লন ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

বৃষ: খল্লরগা চিংনবা অমদি কিবা পোকপা লৈগনি। মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি নিংবা মপা চাবগী নুংঙাইবা খরদি ফংজগনি। হুদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফগৎলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: অঙম্বনা নরল মৎপিখিবা য়াবা লৈ, চরাংনগনু। য়েক্লবনা শাওহনবা লৈরসু তপথৌ অদুবু নিংহন্নবদি তৌগনু। মরুপকী মতেং লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট: ঙাংবা শকপা, পোরম য়াৎথোক্লগা থৌপাংবা অমদি নংগী ওইবশিং লোইনবা কান্নগনি। খুরৌ থাংবা অমদি কাইনবা লৈতনবা খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- হাইজবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: নিংবা মপা চাই, চাদিং হন্থহনবা ঙমগনি, য়েৎনরসু ঙমগনি অমদি অপাম্বা অফবা থবক পাংগনি। অদুম ওইনমক হুরানবনদি অপনবা পীরি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা: মতম মাংবা ফরনি, মচাক-মরল চাওখৎপৈ নুংঙাইজগনি অমদি লইজবা য়াম্না ফংগনি। অনম তানবা/নাইতোম ৱারেপ লৌবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: ফংবা য়াবা পনবা অমদি অনম তানবনা মীকোক থোংবা ৱাবা নুমিৎনি। অঙম্বনদি চানবীগনি অমদি অফবা মীংচৎ তানবদা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবদি থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক: লৈফম নুংঙাইবা ফংবা, মরুপ মপাংনা চানবীবা অমদি য়েৎলম্বা কোকচবা লৈগনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি লৌশিং খরা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- তপথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু: লাইবক ফবা খরদি লৈরনি, পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি নিংথিনা খন্থরগা পাংবা থবক অয়াম্বা মাই পাক্কনি। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: নচা ননাইগী লমদা অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরিদা খরদি ফরনি। অকিবা থাদোকউ। নাপলদি তৌগনু অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংজবা ফংবা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: হরাওবা নুংঙাইবা, য়েক্লববু ঙমজবা, নিংবা মপা চাবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংগদবা লৈ। য়েৎনবনা মাংজবা অমদি অশাওবনা মাংজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন: থবক থৌরম য়াৎপা হৈবনা অফবা মফম ফংগনি। মরুপ অমদি ইমুং মনুংগী মতেংনা মীংচৎ ফংবা য়াবা লৈ। অনৌবা অফবা মরুপসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।